# ক্রিকেট মশান্নদা অনৌবা ষ্টার অমা ওইনা শাফোঙলক্লিবা রাজকুমার রেক্স



রাজকুমার রেক্স



(হান্নগী মখা...)

অহানবা শান্নবা হৌজরকপা মতমদদি ফিটনেসকী ব্রাফমসি থোইনা করিসু খল্লকখিদে। অদুবু, হকচাং ফিট ফজনা ওইদ্রবদি তুং কোয়না শান্নবা ঙম্লোই হায়দুনা ঐখোয়বু ত্রেনিং তৌবিরকখিবা কোচশিংনা তাকপীরকপদগী হৌজিক্তি ঐহাকসু ফিটনেস সেন্টরদা চৎতুনা ত্রেনিং তৌরে। হৌজিক ঐহাক্না ত্রেনিং তৌজরিবা মফমসিনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা 'লাইফ ষ্টাইল ফিটনেস সেন্টর' হায়বসিদনি। অয়ূক পুং ৭.৩০ দগীনা ৯ ফাওবা ঐহাক নুমিৎ খুদিংগী ত্রেনিং সেন্টরসিদা চৎচরি। ঐগী ক্রিকেটকী ত্রেনর ওইনা তাকপী তম্বীরিবা সারনা চেরিশ সলাম (শিংজমৈদগী) নি। মহাক্কী মখাদা ঐগী অশোনবা বোদি পার্টশিং অসি ফজনা খঙদোক্লগা জিমসিদা সার চেরিশনা ঐবু ত্রেনিং পীবিরি। নোংমগী সিদ্যুল কায়দনা সারনা ফজনা ত্রেনিং পীবিবদগী হৌজিক্তি হকচাংসু হান্নদগী হেন্না য়াম্না নুংঙাইরে। ফিটনেস সেন্টরদা চৎপগা লোয়ননা নুংথিলগী মতমদদি ঐহাক হৌজিকসু পাটশোইদা হান্নগুম ক্রিকেটকী প্রেক্টিশ লেপ্তুনা তৌজরি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

## ক্রিকেটতা মীৎয়েং অমা

ক্রিকেট শান্নরোয় অমা ওইনা হান্নদি কনানসু ঐবু শকখঙবীরমদে। ঐহাকপু মীয়াম্না শকখঙবীরকখিবা অসিদি কুচ বিহার ত্রোফ্রি (অন্দর-১৯) ২০১৮-১৯ অসিদগীনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ নিপান শান্নখিবদা ঐহাক্না ব্রিকেট ৫৬ লৌবা ঙমখি। অহানবা মেচতা উত্তরখণ্ডগা শান্নবদা ব্রিকেট অহুম লৌবা ঙমখি। অনীশুবা মেচতা নাগালেন্দ, অহুমশুবা মেচতা সিক্কিমগা শান্নখিবদা পূন্না ব্রিকেট ১০ লৌখি। ফর্ষ্ট ইন্নিংসতা ব্রিকেট অহুম, সেকেন্দ ইন্নিংসতা ব্রিকেট ৭ লৌবা ঙমখি। মরিশুবা মেচতসু অরুনাচল প্রদেশকা শান্নবদা ফর্ষ্ট ইন্নিংদা ব্রিকেট মঙা, সেকেন্দ ইন্নিংসতা ব্রিকেট ১০ পূন্না ১৫ লৌখি। মঙাশুবা মেচতসু মেঘালয়াবু ব্রিকেট মঙাদা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা মেচতসু বিহারগা শান্নখিবদা ফর্ষ্ট ইন্নিংসতা ব্রিকেট তরুক, সেকেন্দ ইন্নিংসতা ব্রিকেট তরুক পূন্না ১২দা লৌবা ঙমখি। তরেৎশুবা মেচতা পোন্দিচেরিগা শান্নখি। মদুদসু ব্রিকেট মঙা লৌখি। নিপানশুবা মেচতসু মিজোরামগা শান্নবদা ব্রিকেট তরুক লৌবা ঙমখি।

অন্দর-১৯গী মল্টি দেনসিদা ওভর ১০দা রন ১১ পীরগা ব্রিকেট ১০ লৌবা ঙমখিবদগী ঐহাকপু ইনিদজয়া মনুংদা হেন্না শকখঙবীরকখি। অদুগা হৌজিক হৌজিক অন্দর-১৯দা ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈনা শান্নরিবা ষ্টেটশিংদি মুম্বাই, হায়দ্রবাদ, দেল্লি, বিদরভা হায়রিবশিং অসিনি। বিদরভা টিমদি চহী অনী থংন-থংননা ফাইনেল ত্রোফি লৌবসু ঙমখ্রে। অহানবদদি মখোয়সি য়াম্না লীংবা ফজবা টিমশিংনি হায়না খল্লম্মী। অদুবু শান্নমিন্নরুবদগী হৌজিক্তিঃ মখোয়গী খূৎশান্নসু লোইনা খঙবা ঙম্লে। মখোয়না ঐখোয়দগী করিসু হেনবা নত্তে। মখোয়না শান্নবগী ফেসিলিটি খরা হেন্না ফংখিবা, প্রেক্টিশ তৌফম, শান্নফমগী খুদোংচাবা হেন্না লৈখিবা অদুগীনি। ঐখোয় মণিপুরগীসু দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা শান্নফম ফজনা লৈরবদি ক্রিকেটসি য়াম্না চাওখৎলক্কনি খল্লি।

লৈকায় লৈকায়দা ক্রিকেট শান্নফম পিচ খরা খরা শেম্বীদুনা শান্নরক্লবদি ষ্টেট অতৈনা মণিপুরদগী করিমত্তা হেল্লোই। মখোয়না খরা এদভান্স ওইনা শান্নখিবগী নোলেজ হেন্না লৈখিবনি। হৌজিক ঐখোয়সু কন্না হোৎনরবদি মখোয়গী লেভেলদু ইরায় লায়না য়ৌবা ঙমগনি। মণিপুর ষ্টেটকীসু অন্দর-১৯গীদা ফজবা প্লেয়র অদুম লৈরি। ঘড়িদগী এন জোনসন, মাগী হেক মনাওনুপা জেমসন বেটসমেন্দা, কিপ্পিংদা ফজনা শান্নবা প্লেয়র ঙাক্তনি। বোল্লিংদসু বিদাশ চিঙাখম (তাকয়েলদগী) ঐখোয়সি অঙাং ওইরিঙৈদগী শান্নমিন্নরকপা ঙাক্তনি।

অদুগা, ঐগী ওইনা হায়জনীংবা অমদি হান্না পীজখিবা পার্ফোমেন্সতুদগী হেন্নো ফজনা পীবা ঙম্ননবা ইশাসি য়াম্না ফিট ওইহনবসি পামজৈ। ফিট ফজনা ওইরবদি ঐহাক্না পামজরিবা পান্দমদুসু ফংগনি থাজৈ। মমাঙদা চৎচরুবা অখন্নবা কেম্পশিংদগী ফংজরকখিবা নোলেজ ময়ামদু ঐহাক তপ্না তপ্না এপ্লাইসু তৌজরি। ইন্দিয়াগী মতম অমগী মমিং লৈরম্বা সার রাহুল দাব্রিদ অমদি সার সিব দাসনা কোচ অমা ওইনা তাকপীরকখিবা কয়াদু ঙম্নবা হোৎনজরি। সার রাহুল দ্রাবিদতি হন্দক ইন্দিয়াগী অন্দর ১৯গী হেদ কোচসু ওইখিবনি। ঐহাক্না হৌজিক টার্গেট তৌজরিবসি ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমদা য়াওবা ঙম্নবা হোৎনবনি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্নসু ক্রিকেট প্লেয়রশিংগীদি ফজনা অব্রাৎ অপা অমত্তা লৈহন্দনা চেকশিন্না য়েংশিনবি। মপান্দা শান্নবা চৎকদবা ওইরবদি নশা ফিট ওইরগা ফজনা চৎখো হায়দুনা কেম্পনচিংবসু মতম চানা অদুম তৌবি। ঐখোয়গীদমক কেশ এব্রার্দনচিংবসু চৎলমদাইদা পীবিদুনা পূক্নিং থৌগৎপী।

চৎথোক-চৎশিনগী প্লেন টিকেট, খূৎশু-খূৎলায়গী অব্রাৎপা অমত্তা লৈহন্দে। শান্নরোয়গীনি হায়রবদি ফুল সপোর্ট ঙাক্তনি। অদুনা প্লেয়র ঐখোয়দসু য়াম্না নুংঙাইজৈ। হন্দক ঐহাক্না খরদং ফজরকপদা মীয়াম্না হন্দক পূক্নিং থৌগৎপীদুনা তৌবিখিবশিং অদু ঐহাক্কী থম্মোয়দা অপেনবা অমা ফাওজৈ। মরম অদুনা হেন্না ফজনা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙম্ন বা কন্না হোৎনগে হায়বা খঞে।

ক্রিকেটনা কেরিয়র শেম্বা য়াই হায়বসিসু তাকচনীংই। মণিপুরদা হান্নদি খরা মমি শাম্না লৈরম্লবসু হৌজিক্তি ক্রিকেটসি খরা খরা পাম্ন রকপা গেম অমসু ওইরক্লি। লাইবক ফবা অমনা, হৌজিক্তি বি সী সী আইগী মখাদা ফুল মেম্বর ওইবসু ফংলে। অদুনা বি সী সী আইনা শিনবা টুর্নামেন্ট পূম্নমক্তা ঐখোয় য়াওবা ফংলগনি অদুগীসু মথক্তা মণিপুর মচাশিং ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবা ময়াম অমসু মথং মথং লাক্লে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি মাঙহন দনা ঐখোয় কন্না হোৎনমীন্নদুনা ইনিদয়াগী টিমদা অমুক্তং য়াওবা ঙম্নবা হোৎনরসি হায়জরি।

মণিপুরদি স্পোর্টসকী পব্রার হাওসনি হায়বা অমসু লৈবনিনা ঐখোয় ক্রিকেট শান্নবসু ফজনা হৈ হায়বসি অমুক্তংদি ময়েক শেংনা উৎনীংই। - লোইরবা-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯১

১। করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী ফুটবোল শান্নরোয় চহী ২৩ হেল্লবা অহুম টিম অমদা শরুক য়াবা য়াহনখি ?

২। মহাক চহী ৮১দা লৈখিদে, চহী ৭২ শুরকপদা ওলিম্পিক্কী মেদল অমা ফংখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩। মহাক CESKE BUDEJOVICE তগী প্রেগ ফাওবা মাইল ১১৮ অসি মহাক্কী মরুপ BOHUSLAV KARLIK কা পুং ২০দা হি হোন্দুনা চৎখি। মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪। 'লৈকোই' হায়রগা মণিপুরগী লান্মীশিংনা করিবু খঙনৈ?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বেঙ্গলুরু এফ সিনা এফ সী গোব্রা থোইদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী অনৌবা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্টকী মঙারকশুবা এদিশন্দা বেঙ্গলুরু এফ সিনা এফ সি গোব্রাবু এক্সট্রা টাইমদা পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা অহানবা ওইনা লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গলুরুগী টিমদা মণিপুরগী উদান্তা য়াওরি। অমরোমদা এফ সি গোব্রাদা অতোপ্পা মণিপুরগী জেকিচান্দ শান্নরিবনি। লীগ অসিগী সেমি ফাইনেলদা বেঙ্গলুরু এফ সিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিবু থোইরমখি। অদুগা এফ সি গোব্রানা মুম্বাই সিটি এফ সিবু মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু মুম্বাই ফূটবোল এরেনাদা শান্নখিবনি। মেচকী অপীবা মিনিট ৯০দা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মিনিট ১৫ অনীগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা ১১৭শুবা মিনিটতা বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী রাহুল ভেকিনা টিমমেট দিমাসনা কাওরকপা কোর্নর অমা হেদ তৌশিনদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখি।



# ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা শ্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সাফ চেম্পিয়নশিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

বিরাট নগর, মার্চ১৭ (ঐচএন এস)ঃ

নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী বিরাট নগর সিটিদা সাহিদ রঙ্গসলা ষ্টদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেচ অমদা শ্রি লঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থিবা পীদুনা সাওথ এসিয়ান ফূটবোল ফেদরেশন ব্রিমেন্স চেম্পিয়নশিপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল ৫মক তোঙান তোঙানবা শান্নরোয় ৫না চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী পুব্রারীদা ইন্দিয়ানা শরুক য়ারকপদগী হৌনা মেচ ২১ থংন-থংননা মায় পাকপা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু থম্লি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ইন্দিয়ানা হেন্না ফজনা শান্নদুনা অঙনবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন সঞ্জুনা ফিল্ডগী ওয় থংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা শ্রি লঙ্কাগী দিফেন্দর অদুবু লান্থোক্তুনা কাওশিনখিবদা শ্রি লঙ্কাগী গোল বারদা পাল্লগা থকতোরকখি। থকতোরকখিবা বোল অদু নীংথিনা পোজিশন শেমদুনা লৈরিবা মণিপুরদগী হৌরকখিবা গ্রেস দাংমৈনা হেদ তৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোকখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী শ্রি লঙ্কাগী মায়োক্তা চনখি। পাঞ্জল অদুসু কেপ্টেন সঞ্জুগী মশান্ননা ওইখি। মহাক্না ৭শুবা মিনিটতা অমুক্কা হন্না ওয় থংবা মায়কৈদগী পুশিনখিবা বোল অমা শ্রি লঙ্কাগী দিফেন্দরশিং অদুনা থিংবা ঙমহৌখিদে। সঞ্জুনা খায়দোরকখিবা বোল অদু ইন্দিয়াগী সন্ধ্যা রঙ্গনাথননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শ্রি লঙ্কাবু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাফ অদুগী ১৭শুবা মিনিটতা মণিপুরদগী হৌখিবা রতনবালানা ফংখিবা বোল অমা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবদা পাঞ্জল ওইরবোই নীংখিবনি। অদুবু এসিষ্টেন্ট রেফরিনা ওবসাইদ তারে হায়না ফ্লেগ থাঙ্গৎলকপদগী পাঞ্জল অদু লৌখি।

শ্রি লঙ্কাগী দিফেন্দরশিং চুংশিন্নবা হেনগৎলকখি। টিম অদুগী গোল কীপর ব্রিজেরত্ননা ইন্দিয়ানা কাওশিনখিবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা শোট অনীসু নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখি। মরক অদুদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকরশিং অদুনা শ্রি লঙ্কাগী গোল তম্না কাওশিনখিবা শোট অনী পোষ্ট পান্দুনা পাঞ্জল মশীং হেল্লমগদবা অদু ঙমহৌখিদে।

অহানবা হাফ লোইশিল্লমদাইদা শান্নবগী কেপ্টেন সঞ্জুনা পুশিনখিবা বোল অমা টিমমেট ইন্দুমতিদা খায়রকখি। ইন্দুমতিনা খুদোংচাদবা অদু শোয়হন্দনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অহানবা হাফকী অরোইবা পূংজাদা চনবা ঙমখিবনি। কেপ্টেন সঞ্জুনা পুশিল্লকপা বোল অমা কাওবদা শ্রি লঙ্কাগী দিফেন্দর অমগী মখূত্তা পান্দুনা রেফরিনা বোল অদু পেনাল্টি এরিয়া মনুংদা পানবা ওইখিবনা ইন্দিয়াদা পেনাল্টি কিক এব্রার্দ তৌখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী সঙ্গিতা বাসফোরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা শ্রি লঙ্কাবু ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু ইনিদয়ানা অদুমক খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফতা ওবসাইদ তাদুনা পাঞ্জল চনবা ঙমহৌদবী মণিপুর মচা রতনবালানা ইন্দিয়াগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা অদুগা পূন্না টাইটল মরিরক লৌবা ঙল্লবা ইন্দিয়ানা মখা তানা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈখি। ফ্রী কিক অমদা জবামনি টুদুনা কাওখিবা শোট অদু পোষ্টতগী হাইগৎতুনা চৎখি। মখা তারকপদা টিম অসিমক্কী দলিমা সিবর অমসুং রতনবালানা কাওশিনখিবা শোট অনী শ্রি লঙ্কাগী কিপরনা নীংথিনা ঙাকথোকখি।

ইন্দিয়ানা সেমিফাইনেলদা বাংলাদেশ থা অসিগী ২০দা শান্নরগনি। অদুগা শ্রি লঙ্কানা য়ূম্বু নেপালগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল শান্নগনি।



# স্বিস ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথ চাইনাগী সি য়ুকিগী মখূত্তা ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

বাসেল, মার্চ১৭ (ঐচএন এস)ঃ

স্বিজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা পাঙথোক্লিবা স্বিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গল্স ফাইনেলদা ইনিদয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ চাইনাগী সি য়ুকিগী মখূত্তা মায়থিহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু পূং অমা হেন্না লম্বা তৌনখিবনি। অহানবা গেম ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ব্রান সিদেদ শান্নরোয় সি য়ুকিবু ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। গেম অদুগী লোইরমদাইদা সি য়ুকিনা ফজবা হেল্লকপদগী প্রনিথপু তাংখৎতু না পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নখি।

মখা তানা পোইন্ট মান্ন-মান্নদুনা লাকপদগী ১৯-১৯ ফাওবা অমুক লৈখি। অদুবু প্রনিথ থংনবা পোইন্ট ২ লৌদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১৯দা থোইখি।

নীংশিংবা য়াই, ব্রর্ল্ড নম্বর-২২ শান্নরোয় ওইরিব ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথনা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদালিষ্ট চাইনাগী ব্রর্ল্ড নম্বর-৫ শান্নরোয় সেন লোংবু ঙরাং ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী করিয়রগী য়াম্না চাওনা মায় পাকপা অমা ওইখি।

অহানবা গেম অদু প্রনিথনা ২১-১৮দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম অদু হেন্না লাকশিন্দুনা মহাক্না চাইনাগী সেন লোংবু ২১-১৩দা মায়থিবা পীরগা ঙসিগী ফাইনেল অসিগী ক্বালিফায় ওইরকপনি।

পনবা য়াই, সাই প্রনিথনা মমাঙদসু ব্রর্ল্ড নম্বর-১ ওইরম্লবা সেন লোংগা অহুম্লক শান্নবদা ঙরাংগী অদুনা অহানবা ওইনা পাকপা ঙমখিবনি। কুমজা ২০১৭তা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল শান্নখ্রবা মতুং ঙসি সাই প্রনিথনা অহানবা ওইনা বেদমিন্টন ব্রর্ল্ড ফেদরেশন (বি দব্লিয়ু এফ)গী অহানবা ফাইনেল শান্নবা ঙম্লিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা গেম চাইনাগী সি য়ুকি অমসুং সাই প্রনিথনা মখা তানা লম্বা মান্ননা পোইন্ট লৌননবা হোৎনরকখি। এক্সপরিএন্স হেল্লবা সি য়ুকিনা সাই প্রনিথপু ২১-১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম মান্ননা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা সাই প্রনিথকী অশোনবা মফমশিং অদুদা সি য়ুকিনা অহেনবা খুদোংচাবা লৌদুনা পোইন্ট লৌবগী চাং য়াম্না খেন্নবা ঙমখি। গেম অদু লোইশিল্লকপদা সি য়ুকিনা ২১-১২দা থোইরগা নুপাগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গল ফাইনেলদা জপানগী সিনা কব্রাকমিবু চাইনাগী নম্বর-১ সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী সেন য়ুফৈনা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৯, ২১-১৬দা থোইখি।

অহানবা গেম অদুদা চাইনাগী সেন য়ুফৈনা জপানগী সিনা কব্রাকমিবু য়াম্না হেন্দুনা ২১-৯দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোয় সিনা কব্রাকমিনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ১৬খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা সেন য়ুফৈনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী ফাইনেল মেচ অদু শুপ্নগী মিনিট ৩৬তা ২১-৯, ২১-১৬তা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গল চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবল্সতা জপানগী প্যের টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ নামি মাটসুয়ামা অমসুং সিহারু সিদাবু মরিশুবা সিদেদ প্যের সাওথ কোরিয়াগী চাং য়ে না অমসুং জুং ক্যুন উননা ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইখি। মিক্স দবল্সতা দেনমার্ককী মাথিয়াস বে স্মিথ অমসুং রিকে সোবিনা ইন্দোনেসিয়াগী প্যের রিনোভ রিভালদি অমসুং পিথা মেন্টারিবু ২১-১৮, ১২-২১, ২১-১৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবল্সতা ইন্দোনেসিয়াগী ফজর অলফিয়ান অমসুং মোহম্মদ এন্দ্রিয়ান্তোনা চাইনীজ তাইপৈগী লি য়াং অমসুং ব্রাং চি লিনবু ২১-১৯, ২১-১৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। পনবা য়াই, চাইনা ওপন বেদমিন্টদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী লক্স্না সেন ঙরাং সেমিফাইনেলদা চাইনাগী ব্রেং হোং য়াংগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।



# নিকোলা মেকটিক অমসুং হোরাসিও জেবালোসনা ইন্দিয়ান ব্রেল্স ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবল্স টাইটল লৌখ্রে



ইন্দিয়ান ব্রেল্স, মার্চ ১৭ (ঐচএন এস)ঃ

ক্রোসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং আর্জেনিটনাগী হোরাসিও জেবালোস ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান ব্রেল্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবল্সকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ফাইনেলদা মেকটিক অমসুং জেবালোসনা তরুকশুবা সিদেদ প্যের পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোবু অকনবা লম্বা অমদা অহানবা সেট অদু ৪-৬তা মায়থিখি। অনীশুবা সেটতা মখোয়না অমুক ফজরক্তুনা ৬-৪ দা থোইরবা মতুং অরোইবা সেট অদুদা ১০-৩দা থোইদুনা নুপাগী দবল্সকী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নুপী দবল্স কাঙলুপ্তা বেলজিয়মগী এলিসি মার্টেন অমসুং বেলারসকী এরিনা সবালেনকানা নম্বর-১ সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী প্যের বারবোরা ক্রেজোলকোভা অমসুং কেটেরিনা সিনাপোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা থোইরগা নুপীগী দবল্সকী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গল্স কাঙলুপ্তা জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর্গ অমসুং কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রেস্কুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবর্গনা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেসিকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৬-২দা মায়থিবা পীরমখি।

অমরোমদা, কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রেস্কুনা তরুকশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৬-৩, ২-৬, ৬-৪ দা মায়থিবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গল্স কাঙলুপ্তা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা সেম ফাইনেলশিংদা তরেৎশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় কানাদাগী মিলোস রাওনিককা অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১ দা থোইখি। অহানবা সেট হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদবদগী টাই ব্রেকতা দোমিনিক থিয়েমনা ৭-৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুসু অমুক্কা হান্না টাই ব্রেক শান্নরকপদা মিলোস রাওনিকনা পোইন্ট ৭-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমমম মায় পাক্লখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা দোমিনিক থিয়েমনা মিলোস রাওনিককী সর্ভিস গেম অমা মতাং-মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেচ অমদা অনীশুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং মরিশুবা সিদেদ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা লম্বা তৌনগনি হায়না তৌরম্বা অদু নদাল শোকপদগী শান্নবা ঙমদনা ফেদরর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী রেস ব্রাকর ইরফান কেটি টৌকিও-২০২০ ওলিম্পিক গেম্সকীদমক ইন্দিয়াগী অহানবা এথলেটিক ওইনা ক্বালিফায় ওইখ্রে



নোমি, মার্চ ১৭ (ঐচএন এস)ঃ

জপানগী সিটি নোমিদা চথরিবা এসিয়ান রেস ব্রাকিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী রেস ব্রাকর ইরফান কোলোথম থোদি কিলোমিটর ২০গী ইভেন্ট অদুদা ৪শুবা পোজিশন তাদুনা টৌকিও-২০১০ ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফায় ওইবা ইন্দিয়াগী অহানবা এথলেট ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী নেশনেল রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা ইরফান কোলোথম থোদিনা জপানগী নোমিদা পাঙথোক্লবা এসিয়ান রেস ব্রাকিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূং ১:২০.৫৭তা কিলোমিটর ২০গী ইভেন্ট অদু য়ৌবা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফিকেশন ষ্টেন্দর্দ ওইনা থম্লিবা পূং ১:২১.০০ গী মতম অদুগী মনুংদা লৈখিবদগী মেদল ফংবা ঙমখিদ্রবসু ক্বালিফায় ওইরিবনি। মহাক্না ওলিম্পিক্সখক্তা নত্তনা ইন্টরনেশনেল এমেচর এথলেটিক ফেদরেশনগী মখাদা পাঙথোক্কদবা ব্রর্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়নশিপকীদমক্তসু ক্বালিফায় ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ওলিম্পিক্সকীদমক্তা রেদ ব্রাক ইভেন্টশিং অমসুং মরাথোন রেস চহী অসিগী জানুব্রারি ১দগী হৌরগা মথং চহীগী মে ৩১ ফাওবা চথখিগনি। অদুগা অতোপ্পা এথলেটিক্সকী ইভেন্টশিংগী ক্বালিফিকেশনগী মতম চহী অসিগী ১ দগী হৌরগা কুমজা ২০২০গী জুন ২৯ ফাওবা চত্থগনি।

ইরফান কোলোথম থোদিগী মশাগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা মতম অসি ইন্দিয়াগীসু নেশনল রেকোর্দ ওইরিবা পূং ১:২০.২১গী মতমদা কুমজা ২০১২ ওলিম্পিক্সকী কম্পিটিশন্দা ১০শুবা পোজিশন তাখিবা অদুনা ওইরি। ঙসিগী ইভেন্ট অদুদা জপানগী রেস ব্রাকর টোসি কাজু য়ামানিসিনা পূং ১:১৭.১৫দা গোল্ড মেদল ফংখি। সিলভর মেদল অদুনা কজাখষ্টানগী জোর্জি সৈকোনা পূং ১:২০.২১দা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্চ অদুনা কোরিয়াগী বিয়োংক্বাং সোয়েনা পূং ১:২০.৪০দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী ওইনা এসিয়া অমসুং ব্রর্ল্ড রেকোর্দ অদু জপানগী য়ুসুকে সুজুকিনা থম্বা ঙম্লি। মহাক্না ঙসিগী চেম্পিয়ন পাঙথোক্লিবা মফম অসিমক্তদা কুমজা ২০১৫ দা পূং ১:১৬.৩৬তা রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখিবনি। ঙসিগী ইভেন্ট অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেস ব্রাকর অনী- দেবিন্দর সিংহ অমসুং গনপথি কৃষ্ণন মথংশীৎনা পূং ১:২১.২২ অমসুং ১:২২.১২দা ব্রাক তৌদুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ৬ ফাওবা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রর্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফায় ওইবা ঙমখি। নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সোমিয়া বেবি পূং ১:৩৬.০৮ লৈখিবদা মরিশুবা তারগা ওলিম্পিক্সকী পূং ১:৩১.০০ অমসুং ব্রর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী পূং ১:৩৩.৩০ অদু য়ৌদবদগী লৈহৌখি।